# মথোং মরম খঙদবা অচাপোৎ ফাগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি ঃ এম এস এফ

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টের্ন্দর ওফ ইন্দিয়া (এফ এস এস এ আই)না মশক খঙদবা মপাল লমদগী পুশিল্লকপা অচাপোৎশিং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)না ফাগৎপা নৎত্রগা খোমগৎপগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

খোঙজং অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা ঙসি খ্বাইরমবন্দ কৈথেলগী থাঙ্গাল বজার ঙারী গল্লিদা লৈবা দুকানশিংদগী মপান লমদগী পুশিল্লকপা এফ এস এস এ আইনা খঙদবা অচাপোৎ য়োল্লম্বা দুকানশিংদগী য়াল্লবা অচাপোৎ খোমগৎখ্রে। এম এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরী ওকেন্দ্রো হৈস্নামনা ফোঙদোরকখিবদি চৎলিবা থা অসিগী ১০দগী লেপ্তুনা মথোং মরম খঙদবা অচাপোৎশিং খোমগৎপা নৎত্রগা ফাগৎপগী থবক অসি চত্থরকখিবনি। হিদাক মনাগী পোখোক কয়া মমাঙদা ফাগৎখিবা অদু হৌজিক্তি অমুক তুমিন্না লৈনখ্রে হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা ফুদ সেফটি দিপার্টমেন্টনসু হিরম অসিগী মতাং দা অকনবা মীৎয়েং চঙবা চুমগনি হায়খি।

ঙসি চত্থখিবা দ্রাইভ অদুদা হৌজিক অঙাংশিংনা পাম্না চান্নরিবা চুরুপ মিথাই হায়না খঙনবা অচাপোৎ অসি চারুবদা কোক চিকপা, ওবা ফাইবা, খনাও নাবা খক্তা নত্তনা অঙাংশিংগী ৱাখলদা চুরুপ থক্লিংবগী ইথিল অমসু পোকহল্লে হায়না লৌই। অসিগুম্বা মখলগী অচাপোৎ অসি এফ এস এস এ আইনা খঙবসু নত্তে হায়নসু ফোঙদোক্লদুনা দ্রাইব অসি মখা তানা চত্থখিগনি হায়খি।

# হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংদা চেন্নবা অমসু ফারে

মোরে এপ্রিল, ১২ঃ

হৌখিবা এপ্রিল তাং ১০ দা মোরে পুলিসকী অচৌবা খুৎপু অমনা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগা মরী লৈননা মীওই ২ ফাখ্রবা মতুং ঙসিসু ম্যান্মারগী রোহিংয়ানি হায়বা মীওই অমসু ফারে হায়রি।

মমাংদা ফাখিবা কেস অসিগা মরী লৈনবা এক্যুজশিং অদুনা হায়দোরকপদগী মোরে ৱার্দ নম্বর ৯ দা মোরে কমান্দোগী ওসি অমদি মোরে পি এস কী সেকেন্দ ওসিনা লুচিংবা তিম অমনা থি-হুম্বগী থবক চত্থবা মতমদা হ্যুমেন ত্রাফিক্কিংগা মরীলৈনবনি হায়বা জায়াবু রহমন এলাইজ মোঙলে (৩৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা এমদি সাইরাগুহুক কৌবা ক্যাওতাউ দগী মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখি।

মোরে কমান্দোগী ও সি ইন্সপেক্তর পি তরুনকুমার সিংহ অমদি মোরে পুলিসকী সেকেন্দ ও সি প্রেমজিৎ সিংহ অনীনা লূচিংবা পুলিস তিম অদুনা ফাগৎলবা মতুংদা ৱাহং-পাউহং চত্থবা মতমদা ফারবা মীওই অদুদগী ইন্দিয়াগী পাসপোর্ট অমা, ইন্দিয়াগী দ্রাইভিং লাইসেন্স অমা, ইলেক্সন আই দি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট তগী পীবা বার্থ সার্টিফিকেট অমা, দিষ্ট্রিক্ট অদুদগী দিসিনা পীবা দোমিসাইল সার্টিফিকের্ট, এফিদেভিট অমা, পান কার্দ অমসুং অধার এনরোলমেন্ট সার্টিফিকের্ট কী ফোতো কোপিশিং, য়ু বি আই পাসবুক কী পেজ ১ গী ফোতো কোপী অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমা ফাগৎপা ঙমখি হায়রি।

# খুজাইরোক অমসুং ওইনাম ৱাটর সপ্লাই স্কিম থিংজিল্লগনি ঃ ভিলেজ চীফ

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

খুজাইরোক অমসুং ওইনাম ৱাটর সপ্লাই স্কিমনা থল্লবা ঈশিং পীরিবা অসি থা অসিগী ১২দগী মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি হায়না কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাইনেম অমসুং তিংকাইখুনৌ ভিলেজগী চীফশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবদা ৱাইনে ভিলেজগী চীফ জি অখোম্বানা হায়, খুজাইরোক অমসুং ওইনাম ৱাটর সপ্লাই স্কিম অনী অসিগী লম ৱাইনেম অমসুং তিংকাইখুনৌ ভিজেল চীফ শিংনা পীখিবনি। স্কিম অনী অসিগী লম দোনেট তৌবগীদমক সরকারনা চৌকিদার হাপ্পিগনি হায়খি। অদুবু ঙসি ফাওবা ওর্দর থোক্ত্রি।

চীফ মিনিষ্টরগী মীয়ামগী নুমিৎতা অনীরক হিরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরদা খঙহনখিবা লৈখ্রে। অদুবু ইকজামিন তৌরি হায়না ঙসি ফাওবা তুমিন্না লৈরি। অদুনা চৎলিবা থা অসিগী ২০ ফাওবগী মনুংদা চপ চাবা থবক লৌখৎলক্ত্রবদি মথংগী নুমিৎতগী ৱাটর সপ্লাই স্কিম অনী অসিগী ঈশিং থাবা থিংলগনি। মসিদা মীয়াম্নসু ৱারৌবীগনু অমদি মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাক্না অপিল তৌখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# এপ্রিল ১৫গী অহিং নোংয়াইদগী পুং ৩৬ জেনেরল...

সরেন্দরশিংগী দিমান্দ পীথোক্ত্রবদি মথংগী নুমিৎ এপ্রিল ১৫গী অহিং নোংয়াইদগী পূং ৩৬কী মণিপুর পুম্বা জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি হায়না এসোসিয়েসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অব্দুল লতিপনা ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়খিবদি, সরেন্দরশিংগী অৱাবা ঙসিগী সরকারনা উবীদ্রে, সরেন্দরশিংগী ফেমিলি জেনেরসনগীদমক খনবীরগা চপ চাবা হক ফঙহনবীয়ু। হোম দিপার্টমেন্টনা সরেন্দরশিংগী থম্বীরিবা ৱেলফিয়ার স্কিমশিং অদু করম্বা মখলগী ৱেলফিয়ার সিষ্টেমনো, চম্না হিংজবা পামদুনা মীচম ওইনা হিংলগে খন্দুনা সরকার অসিদা সরেন্দর তৌরবা ঐখোয়বু পেন্দবা, নুংঙাইতবা, ৱারৌহনবা অমদি নত্তবা লম্বীদা চৎখিনবা ৱেলফিয়ার পোলিসিরা হায়বসি ঙসিগী সরকার অসিদা হং নিংই। তৌফম থোকপা সিআইদি দিপার্টমেন্টকী ভেরিফিকেসন পূম্নমক লোইখ্রবনি। অদুগা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলগী মীওই খরনা হোরেন-হয়েং হায়দুনা শাংলবা মতমসি নমশিন্দুনা থম্বীরে। সরেন্দরশিং শান্তি ওইনা হিংবগী হক পীররোইদ্রা, পোলিসিদা য়াওরিবা ৱেলফিয়ারশিংদু অমত্তা ফঙহন্দনা থম্বীবা হায়বসি গভর্ণমেন্ট অসিনা সরেন্দরশিংবু থওইদনা থম্বীরে হায়বসি ময়েক শেংলে। মরম অদুনা সরেন্দরশিংনা হৌখিবা এপ্রিলগী তাং২গী মণিপুরী পাউ-চেশিংদসু হাপচখ্রে। মদুদসু ঙসিগী লৈঙাক অসিনা খঙশিন্নদনা করিসু নাচুংদনা লৈবীখ্রে। শুফম -নোম্ফম খঙদ্রবা সরেন্দরশিংগী হিংবগী হক ফঙনবগীদমক সরকার অসিনা সরেন্দরশিংদা পীবিগনি হায়খিবা ৱেলফিয়ারশিং অদু লাক্লিবা এপ্রিল ১৪ ফাওবগী মনুংদা পীথোকপীদ্রবদি মথংগী নুমিৎ এপ্রিল ১৫গী অহিং নোংয়াইদগী পুং ৩৬কী জেনরেল ষ্ট্রাইক তৌরগনি। মসিদা মীয়াম্না সরেন্দরশিংবু নুংশিবীদুনা হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু মপুং ফাহনবীয়ু অমদি শৌগৎপীয়ু হায়খি।

# ব্লোক ওফিস অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বার্টরশিং...

শেনফম অদু কন্দায়দা শিজিন্নখিবগে হায়বগী হ্বাইট পেপর অমা পুথোকপীয়ু হায়খি।

শেনফমশিং অদু বি জে পিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টকীসু নত্তে, কংগ্রেসকী শেনফমসু নত্তে। মণিপুর মীয়ামদগী তেক্স ওইনা খোমগৎখিবা য়াল্লবা শেনফম অদু কন্দায়দা থল্লিবগে হায়বসি হ্বাইটপেপর ওইনা পুথোকপীয়ু হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা শেংনা থবক তৌই হায়বা তারবদি মসিগী হ্বাইট পেপর পুথোকপীয়ু লোয়ননা গভর্ণমেন্ট অসিনা মীয়ামগী থবক তৌই হায়বা উৎপিয়ু। কংগ্রেস পার্টিনদি শেনফম অদু নাথেরগা মাঙহনখ্রে হায়বসি অচুম্বনি হায়খি।

লোক্তাক স্কামদা বেঙ্ক গরেন্টি য়াওদনা এদভান্স পেমেন্টকী শেল পীরম্মী হায়বগীদমক সি বি আই থাজিন্নবা তৌগনি হায়বা করিসু কায়দে, প্রজাগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌবিয়ু।

ঙক্লিবা ৱাফম অমদি প্রাইম মিনিষ্টর লাক্তুনা শঙ্গাগনি হায়না তৌরম্বা মন্ত্রিপুখ্রিদা লৈরিবা সিভিল সেক্রেটেরিয়েট অসিদা মসি শঙ্গাগনি তৌরম্বদগী কংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী টিম অমা চত্তুনা থবক শুদে হায়না থিগৎলুবদগী শঙ্গাদনা তোকখ্রে। থবক শুদবা অসিদা লুপা ক্রোর ১০ ইথোকখিবা অসিনা করম্না তৌরিবনো হংখি। শুদ্রিবা থবক্তা শেনফম ইথোক্তে হায়রবসি লাল্লি হায়রবদি ঙসিদগী নুমিৎ নিনিগী মনুংদা কংগ্রেসকী টিম অমা অমসুং রুলিংগী টিম অমগা লোয়ননা ইঞ্জিনিয়ারগী টিমগা সাইটতা চৎলগা য়েংমিন্নসি। শেনফম অদু সাইটতা পীথোকপা লৈতে উৎপীয়ু হায়খি।

এদভান্স পেমেন্ট তৌবদা লান্না শেল পীথোকখি হায়দুনা সি বি আই থিগৎহনবা তারবদি থবক শুদনা শেল পীথোকখিবা অসিগীদমক্তদি করিগী সি বি আইদা থিগৎহল্লোইদগে হংখি।

কংগ্রেসনা অরানবা তৌরম্না তারবদি করিসু চেনলোই, মরালগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা ফংজসনু। অদুগা গভর্ণমেন্টনা অরানবা তৌবা মতমদা করি তৌদুনা লৈরিবগে হংখি।

ফাইনান্সিয়েল ইয়ার লোইশিল্লকপদা শাশিন্নবা বেঙ্ক গরেন্টিদা কায়থোকখিবা শেনফম অসি গভর্ণমেন্টনা ক্রোর ৮ খক্তনি হায়রবসু কংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ৩০গী মথক্তনি হায়রি। মসিদা কন্ট্রেক্টর ফারিবদি বলিগী হামেং তাহনবনি।

মসিদা কম্মিতি অমা শেম্লগা থিগৎহনসি হায়বদা গভর্ণমেন্টনা চেল্লিবা অসিনদি য়াম্না থাক ৱাংবদা লৈরিবা মীওইশিং ৱাথোক অসিদা চেন্নে হায়বসি ময়েক শেঙলবনি।

অচুম অরান পাউচেদো লাওনবা তোক্লগা কম্মিতি অমা শেম্লগা থিগৎহনসি। কন্ট্রেক্টর অমদা বলিগী হামেং তাহনবনা অচুম্বা পুথোকপা ঙম্লোই। হায়রিবা শেনফম অসি মহাক্কী একাউন্টতা চংখ্রবনি। শেনফম অসি মিনিষ্টরনদি থবক শুবা লোইখ্রবা মতুংদা পীবনি হায়রবনিনা করিগী চেক অদু হনগৎলো হায়রিবা করিগীনো হংখি।

মসিদা য়াম্না চাউনা অশোয়বা অমা য়াওরি। লৈঙাক অসিনা প্রজা মীয়ামগী লনথুম কয়া অঙকপা ফংনা মাঙহল্লি। হৌজিক পুথোক্লিবা স্কেন্দলশিং অসি নত্তবা অতোপ্পা স্কেন্দল কয়াসু পুথোক্তুনা প্রজাগী শেনফম কয়া মাঙহল্লিবা অসি খঙহন্দুনা খোঙজং চংশিনখিগনি হায়খি।

# ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা নিয়ম ঙাক্না উ য়ানবদা...

চীংদা লৈরিবা মীয়াম্না চীংগী পোথোকশিং শিজিন্নবদা অথিংবা লৈতে। অদুবু নিয়ম অমগী মখাদা মালেমগী চৎন কাঙলোনগী মখাদা লৈরিবা এক্ট অমসুং রুল্লশিং অদু ঙাক্না চৎপীয়ু হায়বনি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উ য়াহৎখ্রবদি থাজিনগদবনি হায়বগী পান্দমদা চংশিলক্লিবা খোঙথাং অসিদা মিনিষ্টর ইশামক বোইকোট তৌরে হায়রিবা অসি অঙকপা ফাওই। পোথোকশিং অসি পুশিল্লকপা য়াদে। লোয়ননা আইনগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবক চপ চানা লৌখৎকনি হায়না শেঙদোকখি।

অসিগুম্বা ৱারেপ অসি টি এফ ওনা হন্দোকপীদুনা মহৌশা লাইরেম্বীনা পীরম্বা লন অসি ঙাকপদা মতেং পাঙবীয়ু হায়খি।

হৌজিক পুশিলক্লিবা উশিং অসি কদায়দগী পুরকপনো হায়বদু খঙদে। উশিং অদু থাজিন্নবা দিপার্টমেন্টনা হোৎনবনি। মসিদা উ থাবা তারবসু খুঙ্গাশিংনা থাগদবনি হায়খি।

গভর্ণমেন্ট অসিনা সাসন হেক পায়রকপদগী হৌখিবা মার্চথা ফাওবদা চাওরাক্না লুপা ক্রোর ২৩ ফোরেষ্টকী রোয়েলিতি ওইনা কারকখি। লোয়ননা সেন্ত্রেল প্রোজেক্টশিংনা শোকহল্লবা উমংগী লমশিংগীদমক সেন্টরদা কারকপা লমদম অসিগী শেনফম অসি হৌজিক কম্পাগী একাউন্টতা লুপা ক্রোর ২৫০ লৈরি। মসিগী মনুংদগী লুপা ক্রোর ২৫ নৌনা কোকথোকখ্রবা উমংশিংগী মফমশিংদা থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগী খুত্থাংদা উ থানবা থবক পায়খৎলগনি হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তান হায়, য়াম্না অঙকপা অমনা উ পুবা মতমদা শাশিন্নবা টি পি শিজিন্নদুনা উ চিং থোক্লবা হোৎনরম্বা থেংনরে। হৌখিবা চহি ইং ২০১৭ কী মে ২০ দা ইশু তৌবা টি পি অমা হৌখিবা এপ্রিল ৯দা কক্লম্বা থেংনখি।

টি পি অদুদা উশিং অদু কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সোরাথেলদগী চিং থোরকপা উশিংনি। অদুগা মসিগী টি পি অসিনা ফোরেষ্ট বিট ওফিস নুংবী বিট ওফিসতা কক্লমখি। হায়রিবা উ পুরক্লিবা মফম অসিনা টি পি কক্লিবা মফম অসিগা লম্বী পুনবা নত্তে।

টি পি অসিগী মতাংদা থিগৎলুবা মতমদদি টি পি অদু জেদ সোরৈঙম কৌবা লিটান বিদ ওফিসতা ফোরেষ্ট গার্দ ওইবা অমনা ককপনি হায়বা থেংনরকখিবনি। অসিগুম্বা ওরিজিনেল টিপি অসি মঙোন্দা শিন্নবা য়াদে অদুবু কদায়দগী কমদৌনা টি পি অসি পুরক্লগা আশাবা সিল শিজিন্নদুনা টি পি অসি কক্লম্বনো হায়বদু য়েংশিল্লগনি হায়খি। লোয়ননা জেদ সোরৈঙম অসি থবক্তগী সসপেন্দ তৌরগনি হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

# এ আরনা সোল্লর লেম্প য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

২৮ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ৪শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা গেলবুং অমদি মোলফাই ভিলেজগী য়ুমথোং খুদিংমক্তা সোল্লর লেম্প য়েন্থোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ভিলেজ অনী অসিদা লৈরিবা খুঙ্গাশিংগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবদা মতেং পাংবা ওইনা সোল্লর লেম্পশিং অদু য়েন্থোকখিবনি। থৌরম অদুদা ওফিসার অনী য়াওবা টিম অমনা খুঙ্গাশিংগা ৱারী ৱাতাই শান্নখি অমসুং মদুদা অসাম রাইফলসনা পায়খৎপা থবক্তা নুংঙাইবা অমসুং অপেনবা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

অতোপ্পা অমনা ৩৯ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং ককচিং গেরেসন অমসুং অসাম রাইফলস পব্লিক স্কুল ককচিংগী অঙাং অমসুং মহৈরোইশিংদা মিজলস-রুবেল্লা কেম্পেইনগী মনুং চন্না হিদাক কাপথোকখ্রে।

৩৯ অসাম রাইফলসনা ষ্টেট টাক্স ফোর্স ওন ইম্ম্যুনাইজেসন (এস টি এফ আই)গা খূৎশম্নদুনা হিদাক কাপথোকপগী চত্থখিবা প্রোগ্রাম অদুদা থা ৯দগী চহী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং অমসুং মহৈরোই ৪৫০দা খুদোংচাবা পীখি হায়রি।

# মে দে থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম) অমদি ৱাখল মান্নবা লুপশিং মণিপুর প্রোলিটরিয়েট পিপলস দিমোক্রেটিক য়ুনিয়ন অমদি প্রোলিটেরিয়ান ফেমিনিস মুভমেন্ট মণিপুরগা খুৎশম্নদুনা লৌমী শীন্মী, ঙামী অমদি মীয়ামগী নুমিৎ মে দে থৌরম পাঙথোক্কনি।

এস এস য়ু এমগী কনভেনর নাওরেম তনোরঞ্জননা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, থৌরম অসিগীদমক মীওই ১৩না শাবা মে দে ওবজর্বেসন কম্মিটি শেমদুনা নামৈরাকপম মেঘচন্দ্রবু কনভেনর খনখ্রে। থৌরম অসি মায় পাক্না পাঙথোক্নবা হোৎনরি হায়রদুনা লময়ানবা ইরাবতকী ৱাখল্লোলনদা য়ুম্ফম ওইদুনা মান্নবা খুন্নাইদা থাজবা লুপশিংনা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা মীয়াম্নসু অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়রি।

# কৈনৌদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

মণিপুর সরকারগী ইমপ্লোইয়ি অমসুং পেন্সিনরশিংদা ৭শুবা পেগী খুদোংচাবা পীগদবনি হায়না চঙশিল্লিবা ইমপ্লোইয়িশিংগী খোঙজং শৌগৎলদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈনৌ থোংখা কম্যুনিতি হোলদা ৱাকৎ মীপম ফমখ্রে।

সেনিয়ার সিটিজেন্স ৱেলফিয়ার য়ুনিয়ন কৈনৌনা শিন্দুনা চত্থখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা জেদ ই ও জোন ১ ওইরম্বা এ থোইবনা ফোঙদোরকখিবদি লৈবাক অসিগী ষ্টেট অতৈদা ৭শুবা সেন্ত্রেল পে কম্মিসননা রিকমেন্ট তৌবা পে অমসুং এলাৱেন্স চৎনহনখ্রগা ষ্টেট অসিদা ঙসি ফাওবা চৎনহন্দ্রি। অথুবা মতমদা চৎহন্দুনা ইমপ্লোইয়িশিংনা তাল্লিবা দাবি অসি পীদ্রবদি সরকারগী লোইশঙ পুম্নমক পেরেলাইজ ওইরক্লগনি। হিরম অসিগী মতাংদা জে এ সিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তসু মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

# 'অথৌবশিংগী খুভমদা মীয়াম্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বীয়ু'

ঙরাংগী মখা ...

নুমিৎ অসিদা পীরম্বা অথৌবশিংগী কথোকপগী অশেংবা ৱাখল্লোল অমসুং শেংলবা ফিন্দম অদুমক্না ঙসিসু খুন্নাইসিগী মীরোলদা লমজিং মৈরা ওইদুনা নীংতম য়াওল লম্বী খুৎমাং চাওশিল্লকই হায়বসি মীপুম তিংনা খঙনরকপগা লোয়ননা য়াওল লম্বী হেন্না ময়েক শেংবা হেল্লকই। অসিগুম্বা কথোকপগী মমল নাইদ্রবা নুমিৎ অসিবু ইকায়খুম্নবা উৎপা নুমিৎ অসিদা চহী কয়াগী মমাংদগী লৈবাক মীয়াম হুপ্না হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম লেপ্তুনা চঙশিন্দুনা লাক্লি। ঙসিগী শেংলবা নুমিৎ অসিদা ঐখোয়না খ্বাইদগী হেন্না নীংশিংগদবা অমদি লৌগদবা ফিদমদি 'অথৌবশিংনা কথোকই, য়াওলনা খুৎমাং চাওশিল্লি' হায়বা ফিন্দম অসিনি। নুমিৎ অসিবু লৈবাকসিগী নীংতম লম্বীদা কথোকখ্রবা অথৌবা খুদিংমকপু নীংশিং নুমিৎ ওইনা লৌখিবগী মরমদি নুমিৎ অসিদা কথোকখ্রবা অথৌবা লময়ানবশিং অদুনা পীরম্বা, উৎলম্বা হনবা নাইদ্রবা থৌনা লিংজেলনা য়েক্নবা লাম্ছেংনদুনা লানফমদুমক্তদা মীখা পোন্না হিংবগী মহুৎ ইনিং তম্না মীকুপ অমত্তং ওইরবসু হিংলম্মনা হেন্না ফৈ হায়বা ফিন্দম থল্লম্বগা লোয়ননা "য়েক্লবদা ঙক নোন্দবা" হায়বা ফরজবা মালেমগী ইকাই খুন্নরবা ফিন্দম অসি পীরম্নদগীদমক নুমিৎ অসিগী শেংলবা ফিন্দম্বু লৌরগা আর পি এফনা 'অথৌবশিংগী নুমিৎ" হায়না থৌরম পাঙথোকচবনি।

মায়কৈ শীন্না চঙশিল্লক্নবা লাম্মৈগী মৈরিবু কিবদি উমংগী চমজরবা মীরোল তাজদ্রবা শা উচেক-ৱায়া ফাওবা খঙবনি। মীওইবা খুন্নাইদা পোক্তুনা অৱাংবা থাক্কী ৱাখল্লোল অমদি অচুম্বা পুন্সিরোল অমদা লানখিবা মরৈবাক মফরুপকী খঞ্জবনা পুন্সিগী হরাও নুংঙাইবা অমদি মপা মমাগী নুংশিজবা খুদিংতুংওইনরম্লগা নুমিৎসিদা কথোকখ্রবা অথৌবা য়াওল্লোইশিং অমদি য়াওল লুচিংবা অদুনা খোঙফম অমা হন্দনা মৈরীলক্তা য়েক্নবা লাম্ছেংনরমখি।

মথং মথং...

**লমায় ১ গী মখা**

# সাইলেন্ট প্রোটেষ্ট তৌখ্রে

গভর্ণমেন্ট পায়না পায়না প্রোটেষ্ট তৌদুনা চত্থরিবা থৌওং অসি লাইবক থিবনি। য়ু পি এ গভর্ণমেন্ট মতমদা চত্থরম্লবা রাফেল দিল অসি মহাক্কী গভর্ণমেন্ট মতমদা লুপা ক্রোর লিশিং ৫৮ থাদরগা তৌবা অসি য়াম্না মনুং মপান ফাওনা উবা ঙমদবা স্কাম অমা লৈরি। মসিমক য়াম্না লাইবক থিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা সমাজদা থাক হন্থনা লৈবা কাঙলুপশিংদা তাথি তাওইনা তৌরিবা কয়া অদুদা গভর্ণমেন্ট অসিনা তুমিন্না লশিল্লিবা অসি লাইবক থিবনি। অরোইবদা ইং ২০১৪দা নরেন্দ্র মোদিনা মীখলগী মতমদা চহি অমদা থবক ফংদবা নহা ক্রোর ২ থবক পীগনি হায়রগা হৌজিক হায়খিবা ৱা অদু ঙাক্তনা লৈরিবা অসি লাইবক থিবনি। লোয়ননা মদুগী নাথৈনবা মহাক্না চরা হেন্দুনা তৌরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী খোঙজং চংশিনখিবা প্রোটেষ্টরশিংনা চিন্দা অমুবা ফি পুন্দুনা কংগ্রেস ভবন মমাংদা খোঙজং চংশিনখি হায়খি।

# শুমাঙ লীলা নুমিৎকা মরী ...

লীলা শান্নবা লোইরবা মতুং লমদম অদুগী ইমা মৈরাপায়বীশিংনা মখুৎতা মৈরা পায়দুনা থেংলবা অহিং পুং ২ /৩ অদুৱাইদা মহাক্কী মনাক তম্না লাকখি।

ইমাশিং অদুনা নুমিৎ অদুদা হায়রম্বা ৱাফম 'ইবুঙো ঙসিগী থৌরমসি পূন্সিদা অমুক্তা ফঙখিদ্রিবা নুংঙাইবা অমনি' তুমখিনু অহিংসিমা তুমদনা ৱারী শান্নমিখিসি' হায়খিবা ৱাফমবু ঙসিগী থৌরমসিদা নৌহৌনা নীংশিল্লকখি হায়খি।

লৈঙাক অসিনসু শুমাঙ লীলাশিং অথাপ্পা চীং অমসুং তমগী মফমশিংদা শান্নবা শীনবিয়ু। লমদমসিদা অশেংবা নুংশিনবগী মরীশিং শুমাঙ লীলাগী মতেংদগী নৌহৌননা অমুক শাগৎমিন্নরসি হায়বা ৱাফম থমখি।

থৌরমসিদা গুনাচন্দ্র শর্ম্মা অমদি পুর্নিমাশি লৈমসু শরুক য়াখি। লমদমসিগী শক্লাইরবা শুমাঙ লীলাগী নুপা অমদি নুপী আর্টিশিংদা কাউন্সিলনা চল্লবা খুদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

# মপুরোইবগী হকচাং পুথবদা...

থৌদোক থোকফমসি য়ৌরকপদা কংলাতোংবী রোমদগী লাকপা ত্রক এমএন-০১-৩৯৩৪গা থোঙ্গাইদবদগী মমা-মচাশু লৈখিদবনি। থৌদোকসিদা লৈখিদ্রবীগী মচানুপী প্রিয়া ১৫) য়াওনা মীওই অমনা ফিভম লুনা শোকপদগী রাজ মেডিসিটিগী আইসিয়ুদা লায়কন্নরি হায়রি।

# লৈঙাক অমসুং জেএসিগী মীফম...

মতম শাংনদগী জেএসি অমদি সরকারগা কয়ারক উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবসু য়ানবা পুরকপা ঙমদবনা সরকারগী কর্ম্মচারিশিংনা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদনা লাক্লি।

অনৌবা লৈঙাক অসিনা ওইরক্লিবা ফিভম অমদি মীয়ামগী খনবীদুনা জেএসিনা তাল্লিবা সভেন্ট পেগী দিমান্দ অসি অথুবদা চৎনহনবীয়ু হায়খি।

# এ দি সি চান্দেলগী এদমিনিষ্ট্রেসন মথোং চাদ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

মোংশাং পন্থাদা লৈবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সি) চান্দেলগী এদমিনিষ্ট্রেসন মথোং চানা তৌরমদ্রে হায়না নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেল (এন এস য়ু সি) অমসুং মোন্সাং নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এম এন এস য়ু)না ফোঙদোরক্লি।

এন এস য়ু সিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী শম্যুয়েল অমসুং এম এন এস য়ুগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরী এস ঐচ রোমেলনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙরাং মহৈরোই লুপ অনীগী মেম্বরশিংনা এ দি সি চান্দেলগী ওফিসতা চৎতুনা য়েংশিল্লুবদা মথোং মরম খঙদবগী ফিভমদা লৈরম্বা থেংনরকখি। এ দি সি ওফিস অসিগী য়াল্লবা ষ্টাফশিং লৈতবনা চীক্লা অমসুং নাইতোম ওইনা লৈরমখি। বি জে পিনা পায়বা কাউন্সিল অসিগী চেয়ারমেনদগী হৌরগা ওফিসিয়েল ফাওবা ইম্ফালদা লৈবা ওফিসতা কাদুনা লৈ। করিগীদমক্তা এ দি সি চান্দেলগী ফঙ্কসন ইম্ফালদা তৌহল্লিবনো হায়বগী ৱাফম থল্লদুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টতা খেন্নবা মীৎয়েং য়েংলিবা অসি সরকারগী অরোনবা লৈব্রা হায়বগী ৱাফম থমখি। এ দি সিগী মেম্বরশিংদি চান্দেলগী মনুং অমসুং মপান্দা তোঙান-তোঙানবা ফঙ্কসন অমসুং ফেষ্টিভেল কয়াদা শরুক য়াবদি উরি। কাউন্সিল ওফিসকী থবক অমদি অতৈ শেমগৎ শাগৎপগী থবক্তা মীৎয়েং চঙবগী মহুত্তা ইম্ফালদা ওপরেট তৌবা অসিনা করিগুম্বা অমগীসু ইম্ফাল চৎপগী ফিভমদা লৈরে হায়রি।

বি জে পিনা লুচিংবা সরকার অসিগী চীংদা চৎলু-গো টু হিলস হায়বা অসি চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি ওন্ন-তৈনবদা লৈরি। খ্বাইদগী নুংঙাইতবদি চহী কয়া য়োক্তুনা থল্লক্লবা কম্পাউন্দ মনুংদা হৌবা অচৌবা উ পাম্বী কয়া য়াহৎলগা মখোয়গী য়ুম শানবা ইম্ফালদা পুবা অসিনি। ষ্টেট সরকারনা গ্রিন মণিপুরগী খোল্লাও লাউদুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হায়রবসু এ দি সি চান্দেল এদমিনিষ্ট্রেনদি মদুগী ওন্ন-তৈনবদা মশাগী কান্নবগীদমক নেচরবু মাংহন তাকহল্লে হায়নসু চার্জ তৌরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা চহী ২০১৭ নভেম্বর ৪দা চীফ মিনিষ্টরনা এ দি সি চান্দেলগী ওফিস অমসুং ষ্টাফ ক্বাটরশিং শঙ্গাখিবনি। মদুদা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরগা এ দি সি চান্দেল ফঙ্কসন তৌরগনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখিবনি। অদুবু চীফ মিনিষ্টরনা পীরম্বা থাজবা অদু থা ৬ হেল্লবা ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোকপা লৈত্রি। কাউন্সিল অসিগী তঙাইফদবা মচাক মথুম শেমগৎখিবা পুম্বা হৌজিক অরেম্বদা লৈরি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কৈরাও ৱাংখেমদা নিষা থিংবগী নৈনা মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল এপ্রিল, ১২ঃ

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কৈরাও ৱাংখেমদা লৈবা ৱাংখেম নোংমাইলৈমা য়ুথ ক্লবকী শঙলেন্দা ৱাংখেম নোংমাইলৈমা য়ুথ ক্লব অমদি মৈরা পায়বীনা পুন্না শিন্দুনা ময়াই কাবা নিষা থিংমিন্ননবা মীফম হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাঙথোকখ্রে।

কাদাগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি কে হরিচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, খন্ন-নৈনবা মীফম অদুদা ৱাংখেম নোংমাইলৈমা য়ুথ ক্লবকী এদভাইজর চীঙাখম তোম্বী অমদি অরিবম বাবুতোম্বী, প্রসিদেন্ট চীঙাখম রাজেন মৈতৈ, কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমারনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অদুগা কাদাগী সেক্রেটরী জেনরেল দিপনঞ্জিৎ নিংথৌজম অমসুং সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন ময়েংবম বুধিনা ৱাঙাংলোই ওইনা শরুক য়াখি।

নোংমাইলৈমা মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট চীংঙাখম ওংবী তরুনমালানা ফোঙদোকখিবদি খুল অসিদা নিষা থিংনবা মতম কয়াগী মমাঙদগী অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি মখা তানসু লৌখিগনি। মৈরা পায়বী, ক্লব অমদি অহলশিং খুৎশম্নদুনা ময়াই কাবা নিষা থিংনবা হোৎনমিন্নসি। নুপী ওইবীশিংনসু অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

মৈরা পায়বীগী সেক্রেটরী ওইরম্বা ফিজম সনাজাওবীনা হায়, খুল অসিগী নুপী অয়াম্বা ইয়োং ফিশাবনরা খঙদে নুপা অয়াম্বা জৱার অমসুং নিষাদা হেন্না পুক্লিং চঙবগুম তৌই। অমরোমদা নিষা থিংবা হায়বসি নুপীশিং খক্তগী থৌদাং নত্তে। নুপাশিংনসু পুক্লিং থৌগৎপীবা অমসুং থৌনা হাপ্পিবা মথৌ তাই। মৈরা পায়বীশিংনসু মীয়ামগী ওইবা থবক খরা তৌবা মথৌ তাই। মদুদা মতেং পাংনবা তঙাইফদে হায়খি।

য়ুথ ক্লবকী সেক্রেটরী চীঙাখম সমানন্দনা হায়, খুল অসিদা নিষা থিংবগী চঙশিল্লকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা ক্লবনসু অচৌবা থৌদাং লৌগনি। অতোপ্পা থংনরিবা খুলশিংদা মরাং কাইনা নিষাগী পোৎলম ফংলবদি থিংবগী কান্নবসু লৈরোই। য়ু মরাং কাইনা শুংবা অমদি য়োনবনা থিংবদা অৱাবা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্নহল্লি। অদুনা সরকারনা য়ু শুংলিবশিং অসি থিংনবা থবক লৌখৎফম থোকই হায়বগী মতসু পীখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# পার্লিয়ামেন্ট সেসন্দা চরাংনবা থোকহন্দুনা মীফম...

লৈবাক অসিগী চাউখৎ খোঙথাংদা প্রাইম মনিষ্টরনা পামজবা ত্রান্সফোর্মেসন পুরক্নবা খোঙথাং অসি য়াওনা বিল কয়া পাস তৌনবা হোৎনবা অদু পাস তৌবা ঙমদদুনা বিল ময়াম তাদুনা লৈরি। মদুনা মরম ওইরগা অদুগুম্বা ওপোজিসনগী থৌওংগী মায়োক্তা বি জে পিনা ঙসিগী খোঙজং অসি চংশিনবনি।

নেস্নেল স্পোর্ট য়ুনিভর্সিটি বিল অসি হন্দক পুথোকহৌদ্রবনিনা মসি সেসন হৌখিবা অসি য়েংলগা ওর্দিনান্স ওইনা পুথোক্লবা হোৎনরগনি হায়না ভবানন্দনা মখা তাখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াবা লাকখিবা বি জে পিগী মণিপুর ইন চার্জ প্রহ্লাদ সিংহ পটেলনা পাউমীশিংদা হায়, গভর্ণমেন্ট অসিনা রিজনেল ইশুশিং য়াওনা লৈবাক অসিগী ওইবা ইশু কয়া পার্লিয়ামেন্টতা পুথোক্তুনা খন্ননবা থৌরাং তৌদুনা লৈ। অদুবু হাউস অদু চত্থহন্দবনা মরম ওইরগা খন্নবা য়াদনা লৈরি।

মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা তৌফম থোকপা অদু নাথৈদুনা তৌবা পামদে। মীয়ামগীদমক করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খঙনা থবক তৌহন্নিংই। মীয়ামগী সাসন্দা মীয়ামগীদমক থবক তৌবা গভর্ণমেন্টনা পাম্মী।

পার্লিয়ামেন্টতা করি তৌখিবগে হায়বসি প্রজাশিংনা খঙনরবনি। চত্থরিবা বজেট অসি লৈবাক অসিগীদমক্তনি। এম পি হেক ওইরকপদগী নুমিৎ ২৩দি সেসন্দা অপনবা পীদুনা সেসন চত্থরক্তবা অসি হন্দক্কী অসিনা অহানবনি হায়খি।

ওপোজিসন পার্টিনা মখোয়গী অপীকপা ইশুশিংগী য়েংলগা সেসন চত্থহন্দবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারদুনা হান্নগী অহল ওইরবা পোলিতিসিয়ান ও জয়না হায়, নুমিৎ ২৩ নি ওপোজিসন্না মরম ওইরগা পার্লিয়ামেন্ট সেসন চত্থহন্দবা হায়বসি ইতিহাসতা ময়েক লারবা খুদম ওইদুনা লৈহৌরগনি।

সেসন মনুংদা স্পিকরগী ৱেলদা চংশিন্দুনা লৈবাক্কী ওইবা ৱাফম খন্নগদৌরিবা অদু য়াহন্দবা অসি লাইবক থিবনি। মীফম পাঙথোক্লবা লৈবাক্কী ওইবা ৱা খন্নহন্দবা অসিনা নোংমদা লুপা ক্রোর ৬ লোম মাঙহল্লিবনি।

লৈবাক মীয়ামগী ওইনা ৱা খন্নগদৌরিবা ৱাফমশিং খন্নবা য়াহন্দবা অসিনা দেমোক্রেসিগী মশক থিহল্লে। মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমনি হায়না চাউথোকচরিবা ইন্দিয়াদা দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রে হায়খি।

প্রজাগী মীহুৎশিংনা প্রজাশিংগী ৱা খন্নহন্দ্রবদি দেমোক্রেসিগী ৱাহন্থোক কদায়দা লৈরিবগে হংখি। মরম অদুনা দেমোক্রেসি কন্নবগীদমক ঙসিগী খোঙজং অসি চংশিনবনি হায়খি।

ঙসি ৱাকৎ মীফম অদুদা মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমার, এম এল এশিং ডা. ৱাই রাধেশ্যাম, টি রোবিন্দ্রো, টি ঐচ সত্যব্রত্তা, ঐচ দিঙ্গো, এল সুসিন্দ্রো, হিল এরিয়াজ কম্মিতিগী চেয়ারমেন টি টি হাউকিপ, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কাইজম, হান্নগী পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বশিং, মহিলা মোর্চাগী লুচিংবশিং অমসুং পার্টিগী মকোকথোংবা লুচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

# মীয়ানচাশিংনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ষ্ট্রিট ভেন্দর...

হায়রিবা মীয়ানচাশিং অসিগী মনুংদা অয়াম্বনা শক্তাক-চে য়াওদবা ওইরমখি। অদুগা হেন্না ঙক্লিবদি ট্রাফিক পুলিসনা মণিপুরি অমগী পোৎফম ফম্বা য়াবগী লাইসেন্স পীরম্বা অদুগা মীয়ানচা অমনা পোৎফম ফল্লম্বা অসিনি। ট্রাফিক পুলিসনা করম্না পোৎফম ফম্বা য়ানবগী অয়াবা পীরম্বনো অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসন অসি মথৌ তৌদরব্রা হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা হিরম অসিদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়, ঙসিদগী মীয়ানচাশিংনা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলদা ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বা থিংলে। করিগুম্বা মীয়ানচাশিংনা অথিংবা অসি থুগায়দুনা পোৎফম ফমজিল্লম্বা থোক্লবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফত্তা খুদিংমক লৈঙাক্না অমদি মশা-মশানা পুগদবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লৈঙাক অসিনা চীং-তম অনীনা য়াবা য়েলহৌমী কন্নবা বিল অমা পুথোক্কনি হায়বদু অথুবদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এমপিএসসিনা পাঙথোকখিবা সিভিল সার্ভিসেস...

রিপোর্টসিদা ইগজামিনেসন অসিগী কেন্দিদেট খরগী মমিং-মথা, কোদ নম্বর অমসুং রোল নম্বরনচিংবা পন্দুনা মখোয়-মখোয়গী সবজেক্টশিংদা য়াওরম্বা অশোয়বা-অরানবশিং ময়েক শেংনা ফোঙদোরকখি। অশোয়বা অরানবশিং অসিগী মনুংদা পাউখুম চেদা ইগজামিনেসনশিংগী সহী তৌরমদবা ইজামিনেসন সুপরভাইজরশিংগী সহী তৌরমদবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীরবসু মসিগী পীফম থোকপা মার্কশিং পীরমদবা, ইগজামিনরগী সহী য়াওদবা মার্ক শেমদোক-শেমজিন তৌরম্বা য়াওনা স্ক্রুটিনি অমদি ইভাল্যুয়েশন অমদি দি কোদ তৌবনচিংবগী মতাংদসু ময়েক শেংনা পল্লকখি।

অদুবু খ্বাইদগী নুংঙাইখিবদি, হায়কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস কেঐচ নোবিননা নভেম্বর ২০,২০১৭তা পীখিবা ওর্ডরগী মতুং ইন্না শেমখিবা ইনক্বারি কম্মিটি অসিগী মায়োক্তা ইগজামিনেসন অসিদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেট খরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসিয়েল লিভ পিটিসন (এসএলপি) অমা ফাইল তৌশিল্লকখিবনি।

এসএলপি অসিদা ইনক্বারি কম্মিটিসিদা থিজিনবগী অয়াবা পীবিগনু, পীবা তারবসু কেস তৌরক্লিবা পিটিশ্নর কেন্দিদেট ৪৪ খক্তুংগী পাউখুম চেশিং খক্তমক্তা ইনক্বারি তৌহনবীয়ু হায়জরকখিবনি।

মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেট খরগী এসএলপি অসি সুপ্রিম কোর্টকী জষ্টিস ক্যুরিয়ন জোসেফ অমসুং জষ্টিস মোহন এম শান্তনাগৌদারগী কোর্যামনা মার্চ ২৩,২০১৮দা লৌখৎতুনা হিয়ারিং পাঙথোকখি।

হিয়ারিং অদুগী ওর্ডরদা পাঙথোকখ্রিবা ইগজামিনেসন অদুদা অশোয়বা-অরানবশিং য়াওরে হায়বা ৱাফমসি কোর্টসিনা য়াখি। অদুবু ইগজামিনেসন অসিগী কেন্দিদেট ১০৬৮গী পাউখুম চেশিং অমুক হন্না য়েংগদ্রা হায়বগী মতাংদা লায়খাই তাগদবদা ঙাইরে হায়খি।

অদুবু কেস অসিদা এমপিএসসিগী মায়কৈদগী মখোয়গী ওইবা ৱাফমশিং কোর্টসিদা ফোঙদোকচনবগী মতম চয়োল অনী খক্তা পীবিখো হায়জরকপদগী কোর্টনা অয়াবা পীরগা কেস অসিগী মথংগী হিয়ারিং ঙসি (এপ্রিল ১২, ২০১৮)দা পাঙথোক্লবা লেপখিবনি।

কোর্টসিনা মাঙজৌননা লেপখিবগী মতুং ইন্না ঙসি হিয়ারিং পাঙথোকখি। অদুগা মসিগী ওর্ডরদনা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংদগী ফাইল তৌরকপা এসএলপি অসি দিস্পোজ তৌখিবগা লোয়ননা ইগজামিনেসনসিদা শরুক য়াখিবা কেন্দিদেট ১০৬৮গী পাউখুম-চে পূম্নমক অমুক হন্না য়েংনবা খঙহনবগা লোয়ননা কেস অসিগী ৱারোইশিন হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা পুরক্লবসু খঙহনখিবনি হায়রি।